# রিওগী নুপা ফুটবোলগী সেমী ফাইনেলদা ব্রাজিল-হোন্দুরাস, জর্মনি-নাইজেরিয়া শান্নরগনি



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১৪ ঃ
নেয়মারনা চনখিবা গোলনা ব্রাজিলনা মফম অসিদা চথুরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা নুপাগী ফুটবোলদা কলম্বিয়াবু ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

অমরোমদা জর্মনিনা থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা পোর্টুগালবু ৪-০ দা মায়থীবা পীদুনা ওলেম্পিক্কী সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

যুম্মু ব্রাজিলগী বার্সেলোনাগী ষ্টার নেয়মারনা মেচকী মিনিট ১২ চৎপা মতমদা ফংখিবা ফ্রী-কিক অমদা গোল ওন্থোকখি অদুবু নেয়মারনা কলম্বিয়াগী এন্দ্রেস রোঅবু কাওথৎতুনা ফিল্ডদা তুহল্লুবগী য়েল্লো কার্দ ফংগদবা অদু লাইবক ফবদগী ফংহৌখিদে।

যুম্মুনা মেচ অদু নিংথিনা কন্ত্রোল তৌদুনা শান্নখি অমদি মেচ লোইগদবা মিনিট তরেৎ ৱাৎলিঙৈদা লুঅননা চনখিবা গোলনা টিমবু মায় পাকহনখি।

লাক্লিবা যুমশকৈশা নুমিৎতা রিওদা শান্নগদৌরিবা সেমী ফাইনেলদা ব্রাজিলনা হোন্দুরাসগা লম্বা তৌদুনা মায়োক্নরগনি। সেন্ট্রেল অমেরিকাগী লৈবাক অসিনা সাউথ কোরিয়াবু ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলগীদমক খুমাঙ চাউশিনখিবনি। হোন্দুরাসকী মায় পাকপগী গোল অদু অলবার্থ ইলিসনা চনখি।

অমরোমদা থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা জর্মনিনা পোর্টুগালবু ৪-০ দা মায়থীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি। সেমী ফাইনেলদা জর্মনিনা নাইজেরিয়াগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। নাইজেরিয়ানা দেনমার্কপু ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

যুম্মু ব্রাজিলনা মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবা অসিনা অহানবা ওইনা ওলেম্পিক্সকী গোল্ড মেদল লৌনবগীদমক চাউরবা আশাগী লোয়ননা চঙলকখিবা অদু অমুক্কা হেন্না মতিং হাপখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী থাংজ নুমিৎতা মরাকানাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফাইনেলদা জর্মনগা থেংনরবা য়ানা লৈখ্রে। হৌখিবা চহী অনীগী মমাঙদা মফম অসিদা চথুখিবা ৱর্ল্ড কপকী সেমী ফাইনেলদা জর্মনিনা ব্রাজিলবু য়াম্না লাকচনা ৭-১ দা মায়থীবা পীরমখিবনি। নেয়মারনা সেমী ফাইনেল মেচ অদুগী মমাঙদা শান্নখিবা প্লেদা মহাক্কী মনঙ্গলগী শরু শোকখিবদগী সেমীদা শান্নবা য়াওবা ঙমখিদবনি।

অমরোমদা জর্মন অমদি পোর্টুগাল অনী মেচ অদুদা জর্মনিনা অয়াম্বা মতমদা বোল পায়দুনা শান্নখিবনা মেচ অদু দোমিনেট তৌনা চৎখি। অহানবা হাফ লোইগদবা মতম খজিক্তা ঙাইরক্লবা মতমদা জর্মনগী সার্গে গনাব্রিনা নিংথিনা কাওশিনখিবা বোল অমা পোর্টুগালগী গোলকিপর ব্রুনা ভারেলানা সেভ তৌবা ঙমদবদগী গোল ওন্থোকখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

ব্রাজিলনা যুম্মু ওইদুনা কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপকী চেম্পিয়ন ওইখিবা জর্মনিগী টিমদা য়াওখিবা খ্বাইদগী নহা ওইবা প্লেয়র মার্ট্যিয়াস গিন্টরনা মেচকী মিনিট ৫৭ চৎপা মতমদা গোল অমা চনখি। দেভি সেলকেনা টিমগী অহুমশুবা গোল অদু মেচকী মিনিট ৭৫ চৎপা মতমদা চনখি। অদুগা সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা ফিলিপ মেক্সনা মরিশুবা মখোয়গী টিমগী মরিশুবা গোল অদু মেচকী মিনিট ৮৭ চৎপা মতমদা চনখি।

জর্মনিনা কুমজা ১৯৮৮ দগী অহানবা ওইনা রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়ারকখিবনি। হায়রিবা ওলেম্পিক্স গেমস অদুদা জর্মনিনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি।

# য়ু এসনা ওলেম্পিক্কী গোল্ড মেদল লৌবা মশিং ১০০০ শুখ্রে



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১৪ ঃ
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মফম অসিদা চথুরিবা রিও ওলেম্পিক গেমসগী থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ৪x১০০ মেদলে রিলেদা মখোয়গী নুপী স্বিমরশিংনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিদুনা মখোয়গী ১০০০ শুবা ওলেম্পিক্কী গোল্ড মেদল ওইখ্রে।

মায় পাকপগী মিংচৎ অদু অমেরিকাগী স্বিমর কেথলিন বাকর, লিলি কিং, দান ভোল্লমর অমদি সিমোন মান্যুএলনা থমখিবনি। মখোয়না ইভেন্ট অদুদা আর্ক রাইবেল ওষ্ট্রেলিয়াবু নক্সাৎলমখি।

ওলেম্পষ্টেটস দোট কোমগী মতুং ইননা য়ু এস এনা রিও ওলেম্পিক্স-কীদমক শরুক য়ানবগী রিও দি জানৈরোদা থুংখিবা মতমদা মখোয়গী অপুনবা গোল্ড মেদল ৯৭৭ ওইখি।

রিও ওলেম্পিক্স হেক হৌবদগী মথং-মথং গোল্ড মেদলশিং লৌরক্তুনা লোংজম্প জেফ হেন্দরসননা মখোয়গী ৯৯৮ শুবা গোল্ড লৌদুনা লিশিং অমা শুননবগীদমক ঙাইদুনা লৈখি।

স্প্রিন্টর তোরি বোৱিনা মিটর ১০০ গী লমজেলদা গোল্ড মেদল লৌগনি হায়না পানরুরগা অনীশুবা মফমদা লৈখিবদগী পন্থুং অদু য়ৌনবগী খোঙজেল তপথহনখি।

মাইকেল্ল ফেলপস অমদি মহাক্কী টিমিনা নুপাগী মিটর ৪x১০০ গী মেদলে রিলেদা গোল্ড মেদল লৌদুনা পন্থুং য়ৌগদবা গোল্ড অমখক্তমক ঙায়খি হায়বা ৱাফম ওলেম্পিক্কী হিষ্টোরিয়নশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

মতাং অসিদা ওলেম্পিক্কী হিষ্টোরিয়ন অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ওলেম্পিক কম্মিটিগা য়েৎনবা লৈখি। অদুমক্তপু নুপীগী স্বিমরশিংনা লৌখিবা গোল্ড মেদল অদুনা ১০০০ শুবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী গোল্ডনি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওলেম্পিক কম্মিটিনা ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়াগী এথলেটশিং রিও ওলেম্পিক্সতা মায়থীদুনা মপান থোক্লকপা লেপত্রি





রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১৪ঃ
ব্রাজিলনা যুম্মু ওইদুনা চথুরিবা ৩১শুবা রিও ওলেম্পিক্সকী ইরাই নুমিৎতা হৌদোকখিবা ট্রেক এন্দ ফিল্ড ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী এথলেট ভিকাস গৌদা, মনপ্রিট কৌর অমদি জিন্সন জোন্সননা মখোয় মখোয়গী ইভেন্টশিংদা মায়থীহৌদুনা লৈহৌরে।

ইন্দিয়াগী দিস্কস থ্রোৱর ভিকাস গৌদানা কম্পিটিটর ৩৪ না শরুক য়াখিবা দিস্কস থ্রো ইভেন্টতা মিটর ৫৮.৯৯ শান্না লংদুনা ২৮শুবা মফমদা লৈখিবদগী মখা তাবা রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদে। মরিরকশুবা ওইনা ওলেম্পিক্সতা শরুক য়ারিবা মশাগী চহী ৩৩ শুরবা গৌদানা মিটর ৬৬.২৮ শান্না লংদুনা নেসনেল রেকোর্দ পায়রিবনি।

মহাক্না মরেংজুমদা শোকপদগী মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর থাদগী হৌনা কম্পিটিসন অমত্তদা শরুক য়াদনা লাকখি। গৌদানা কুমজা ২০১৪ গী কম্মনৱেলথ গেমসতা গোল্ড মেদল অমদি চহী অদুমক্তদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমসতা সিলভর মেদল লৌখিবনি।

গৌদানা কুমজা ২০০৪ গী এথেন্স অমদি কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং ওলেম্পিক্স গেমসদা ফাইনেল চঙবা ঙমখিদ্রবা মতুং কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সতা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রবসু ফাইনেলদা নিপানশুবা মফমদা লৈখিদুনা মেদল লৌবা ঙমহৌখিদে।

অমরোমদা নুপীগী শোট পুটতা নেসনেল রেকোর্দ থল্লিবী মনপ্রিট কৌরনা ইরাই নুমিৎতা পাঙথোকখিবা রিও ওলেম্পিক্সকী শোট পুট ইভেন্টকী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা মিটর ১৭.০৬ খক্তমক লংদুনা ২৩শুবা পোজিসন তাদুনা মথং রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমদনা লৈহৌখি।

কম্পিটিসন অদুদা এথলেট ৩৫ না শরুক য়াখি। মশাগী চহী ২৬ শুরবী অসিনা মিটর ১৭.৯৬ শান্না লংদুনা নেসনেল রেকোর্দ থল্লিবনি। মহাক্না রিওগী কম্পিটিসন অদুদা অহানবা অমদি অনীশুবা এটেম্পতা মথংশিংনা মিটর ১৬.৬৮ অমদি ১৬.৬৭ লংখি। কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং অমদি কুমজা ২০১২ গী লন্দন গেমসগী গোল্ড মেদলিষ্ট ন্যুজিলেন্দগী ভেলিরি অদামসনা মিটর ১৯.৭৪ লংদুনা ক্বালিফিকেসন রাউন্দগী মকোক্তা লৈখি।

নুপাগী মিটর ৮০০ গী লমজেলদা জিন্সন জোন্সননা ১:৪৭.২৭ সেকেন্দদা চেন্দুনা ইভেন্ট অসিগী মথং রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদে।

ৱর্ল্ড রেকোর্দ হোল্ডর কেনয়াগী দেভিদ রুদিশানা ১:৪৫.০৯ সেকেন্দ চেন্দুনা খ্বাইদগী মকোক ওইদুনা সেমী ফাইনেল-গীদমক ক্বালিফাই ওইখি। জোন্সননা কম্পিটিটর ৫০ না শরুক য়াখিবা ইভেন্ট অদুদা ২৪শুবা পোজিসন তাখি।

# ভেনস ৱিল্লিয়মসনা ৫রকশুবা ওলেম্পিক্কী মেদল লৌদুনা পুৱারী শেমখ্রে, মার্টিনানা দবলসকী ফাইনেল চঙখ্রে



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১৪ ঃ
অমেরিকাগী ভেটরান ভেনস ৱিল্লিয়মসনা মফম অসিদা চথুরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী মিক্স দবলসকী ফাইনেল চঙখিদুনা ওলেম্পিক্সকী মঙারক মেদল লৌবা ঙম্বা অনীশুবা টেনিস প্লেয়র ওইদুনা পুৱারী শেমখ্রে।

মশাগী চহী ৩৬ শুরবী ভেনস ৱিল্লিয়মসনা রজীব রামগা জুরা শেমদুনা থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা ইন্দিয়াগী সানিয়া মিরজা অমদি রোহন বোপান্নাবু ২-৬, ৬-২, ১০-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি। বৃটেনগী কেথলিন মেককেননা কুমজা ১৯২০ গী ১৯২৪ ফাওবগী মনুংদা মেদল মঙা লৌবা ঙমখি।

অমরোমদা মার্টিনা হিঙ্গিসনা চহী ২০ গী মতুংদা ওলেম্পিক্স গেমসদা হল্লকখিদুনা রিওগী নুপীগী দবলস ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

রিওদা ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা হিঙ্গিসগী শাফু কল্লবা বোলনা ওপোনেন্ট হলাভাক্কোভাগী মমিৎতা পানখি। অদুমকপু হিঙ্গিস অমদি মহাক্কী স্বিস কম্পেট্রেইট টিমিয়া বাকসিঞ্জকিনা মেচ অদুদা চেক রিপব্লিক্কী এন্দ্রে হলাভাক্কোভা অমদি লুসি থ্রাদেক্কোবু ৫-৭, ৭-৬ (৭/৩), ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা চঙখি।

মেচ অদু চেক্কী লম্বা অদুনা সেট অমা মাঙজিল থাদুনা ৫-৪ অমদি ৩০-১৫ দা লৈরল্লবা মতুং ফাইনেল চঙগদবা পোইন্ট অনীখক ৱাৎলিঙৈদা শোয়বদগী হিঙ্গিসগী শাফু কল্লবা বোল অমনা ওপোনেন্ট এন্দ্রে হলাভাক্কোভাগী মমিৎতা পানখিবদগী মতম শাংনা লায়েংবগী থবক চথুখি।

তুংদা এন্দ্রে হলাভাক্কোভানা মখা তানা শান্নখ্রবসু হিঙ্গিস অমদি বাকসিঞ্জকিনা মেচ অদুবু নক্সাৎখিদুনা মায় পাকখিবগা লোয়ননা ফাইনেল চঙখি। ফাইনেলদা হিঙ্গিস অমদি বাকসিঞ্জকিনা রসিয়াগী ইকাটেরিনা মকারোভা অমদি ইলেনা ভোস্নিনাগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

**স্বিমিংঃ** রিও ওলেম্পিক্সকী ইরাই নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মিটর ১০০ গী নুপাগী বট্টরফ্লাই ইভেন্টতা সিঙ্গাপুরগী জোসেফ স্কুলিংনা মকোক থংনা ঈরোয়খিদুনা মহাক্কী লৈবাক্কীদমক অহানবা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে। ইভেন্ট অদুগী মশক থোকপা থৌদোক অমনা জোসেফ স্কুলিংনা অমেরিকাগী মাইকেল ফেলপসকী ২৩শুবা ওলেম্পিক্কী গোল্ড মেদল লৌনবগী আশা অদু মরু ফংনা য়ৈথেকখি।

চথুরিবা ওলেম্পিক্স অসিগী মতুংদা পোথারগদবা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন অমদি ৱর্ল্ড রেকোর্দ হোল্ডর মাইকেল ফেলপসনা মহাক্কী রেকোর্দ ওইনা লৈহৌরিবা অদুবু লম্মখাংদা মাংখিবদা নিংঙমদবদা ফোঙদোকখি। স্কুলিংনা ইভেন্ট অদুদা ৫০.৩৯ সেকেন্দ লোইদুনা ফার্ষ্ট তাখি অদুগা ফেলপসনামশক থোক্না পার্ফোর্মেন্স পীখিদুনা ৫১.১৪ সেকেন্দদা লোইদুনা সেকেন্দ তাখি।

# পুইগনা নুপী সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে, দেল পোট্রো, এন্দি মরেনা নুপা সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা থেংনরগনি





রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১৪ ঃ
পোট্রো রিকোগী মোনিকা পুইগনা মফম অসিদা চথুরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা নুপীগী টেনিস সিঙ্গলস ফাইনেলদা জর্মনিগী এঞ্জেলিগ কার্বরবু ৬-৪, ৪-৬, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী লৈবাক্কী অহানবা ওলেম্পিক্কী গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

মশাগী চহী ২২ শুরবী ফ্লোরিদাদা বেজ তৌবী অমদি মালেমগী রেঙ্কিংদা ৩৪শুবদা লৈরিবী পুইগনা নিংথিনা শান্নখিদুনা মালেমগী অনীশুবা রেঙ্কতা লৈরিবী অমদি ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী চেম্পিয়ন কার্বরবু মায়থীবা পীখি। পুইগনা গোল্ড মেদল লৌখিবা অসিনা কারিবিয়ন আইলেন্দগী নুপী অমনা অহানবা ওইনা স্পোর্ট অমা হেক্তদা মেদল লৌবা ঙম্বসু ওইখি।

মহাক্কী চাউনা মায় পাকখিবা অসিগী মমাঙদা পুর্টোরিকোনা সিলভর মেদল অনী অমদি ব্রোঞ্জ মেদল তরুক পুন্না ওলেম্পিক মেদল নিপান লৌখ্রে। হায়রিবা মেদলশিং অদুগী মনুংদা মেদল তরুক্না বোক্সিংদা লৌখিবনি।

পুইগকী মায় পাকখিবা মেচ অদুদা ফাইনেল সেটকী তরেৎশুবা গেমদা মহাক্না ব্রিক পোইন্ট তরুক সেভ তৌখি। তুংদা মহাক্না মেচ পোইন্ট মরি লৌদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

অমরোমদা নুপাগী সিঙ্গলসকী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেলদা অর্জেন্টিনাগী জুঅন মার্টিন দেল পোট্রোনা অনীরকশুবা ওইনা ওলেম্পিক্সকী গোল্ড মেদল লৌগনি হায়না আশা চাউনা চঙলকখিবা রফেল নদালবু ৫-৭, ৬-৪, ৭-৬ (৭/৫৫) দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

ফাইনেল মেচতা জুঅন মার্টিন দেল পোট্রোনা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন এন্দি মরেগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

ৱর্ল্ডগী নম্বর ১৪১ শুবদা লৈরিবা দেল পোট্রোনা মহাক্কী খুদাংদা ওপরেসন কয়ারক তৌখিবদগী মতম কুইনা শান্নদনা লাকখ্রবা মতুং রিও ওলেম্পিক্সকী ঙরাং শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচ অদু পুং অহুমগা মিনিট নিপান চঙনা শান্নদুনা মায় পাকখি।

অমরোমদা অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমী ফাইনেল মেচ অমদা অনীশুবা সীদ এন্দি মরেনা জপানগী কৈ নিশিকোরিবু ৬-১, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী থংন-থংননা ওলেম্পিক্সকী ফাইনেল চঙবা অনীরকশুবসু ওইখি।

কুমজা ২০০৮ গী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইখিবা নদালনা ইরাই নুমিৎতা নুপাগী দবলস ফাইনেলদা মার্ক লোপেজগা জুরা শেন্নগা শান্নখিদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

পনবা য়াই রাফেল নদালনা মফম অসিদা চথুরিবা রিও ওলেম্পিক গেমসগী নুপাগী দবলস ফাইনেলদা মায় পাক্তুনা মহাক্কী অনীশুবা ওলেম্পিক্কী গোল্ড মেদল লৌখিবনি।

স্পেনিসকী মশক নাইরবা রাফেল নদালনা মহাক্কী মতম কুইনগী মরুপ মার্ক লোপেজগা পাদুনা ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা নুপাগী দবলস ইভেন্টতা রোমানিয়াগী ফ্লোরিন মার্গী অমদি হোরিয়া টেকাউবু ৬-২, ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি। কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং ওলেম্পিক্সতা সিঙ্গলসকী চেম্পিয়ন ওইখিবা নদালনা ওলেম্পিক্কী সিঙ্গলস অমদি দবলসতা গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্বা মরিশুবা প্লেয়রসু ওইখিবনি

মহাক্কী মায় পাকপগী মিংচৎ অসি মমাঙদা সেরেনা ৱিল্লিয়মস, ভেনস ৱিল্লিয়মস অমদি চিলিগী নিকোলাস মাসুনা লৌখিবনি।

মহাক্কী গোল্ড মেদলগী মেচ অদু মায় পাক্লবা মতুং নদালনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী ঐগী মরুপকা পাদুনা মায় পাকখিবা অসি অঙকপা এক্সপরিয়েন্স অমনি। মখোয়না মশক থোক্না শান্নখি অমদি পীবা য়াবা পুম্নমক পীখি। মহাক্না হৌখিবা থা অনীমখায় শান্নদনা লাকখি। প্রেক্টিসসু তৌখিদে অদুগা জিমদসু চঙদুনা শান্নখিদে। অদুবু ঐনা মশক থোক্না অকনবা লম্না তৌনদুনা মায় পাকখি হায়না নদালনা মখা তানা ফোঙদোকখিবনি।

অমরোমদা নুপাগী সিঙ্গলস মেচতা মশাগী চহী ৩০ শুরবা নদালনা ব্রাজিলগী থোমাজ বেল্লুসীবু ক্বার্টর ফাইনেলদা ২-৬, ৬-৪, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

অতোপ্পা মেচতা কুমজা ২০০৯ গী য়ু এস ওপনগী চেম্পিয়ন অমদি মখুদাং শোকপদগী চহী অমা চুপ্পা শান্নরুদ্রবা দেল পেট্রোনা স্পেনগী রোবার্টো বৌটিষ্টা ওগটপু ৭-৫, ৭-৬ (৭/৪) তা মায়থীবা পীখি।

অর্জেন্টাইন অসিনা রিও ওলেম্পিক্কী নুপাগী সিঙ্গলসগী অহানবা রাউন্দদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোভাক জোকোভিচপু মায়থীবা পীরমখিবনি। অনীশুবা সীদ মরেনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী জোন্সনবু ৬-০, ৪-৬, ৭-৬ (৭/২) তা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি।

অতোপ্পা মেচ অমদা জপানগী কৈ নিশিকোরিনা ফ্রান্সকী গেল মোনফিলসপু ৭-৬ (৭/৪), ৪-৬, ৭-৬ (৮/৬) তা মায়থীবা পীখি। মেচ অদুগী অরোইবদা মোনফিলসনা দব্বল ফোল্ট তৌখিদুনা টাই ব্রেক তাখি। মদুদা মহাক্না ৬-৩ দা মাঙজিল থানা লৈখি অদুবু অরোইবদা জপানিজনা ৭-৬ (৮/৬) তা মায় পাকখি।

# ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিনা দোপিংদা চেন্নবা এথলেটশিং মখা তানা অথিংবা থম্লক্লি




রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১৪ ঃ
টাইৱানগী হান্নগী ৱর্ল্ড রেকোর্দ হোল্ডর ওইরম্বা লিফটর লিন জু চিবু দোপিং টেষ্টতা ফেল ওইখিবদগী রিও গেমসতা শরুক য়াবা য়ারোই হায়দুন অথিংবা থমখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী দেলিগেসননা ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং অমদি কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সতা লৌখিবা সেম্পলশিং অমুক হন্না টেষ্ট তৌখিবদা পোজিটিব ওইরমখিবা য়ুক্রেনগী জেভলিন থ্রোৱর ওলেকজেন্দ্রা পয়াটনিটসাবু লন্দন ওলেম্পিক্সতা লৌখিবা মহাক্কী সিলভর মেদল অদু ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) না হন্দোকহনখিবগা লোয়ননা অথিংবসু থমখ্রে।

টাইৱানগী ৱেটলিফটর লিন জু চিবু অথিংবা থমখিবা অদুনা চাইনাগী লিফটর দেং ৱৈনা নুপীগী কে জি ৬৩ গী কাঙলুপতা গোল্ড মেদল লৌখিবদা নত্তনা ৱর্ল্ড রেকোর্দসু থমখি। দেং ৱৈনা অপুনবা কে জি ২৬২ থাঙ্গৎখিবনি। চাইনিজ টাইপৈগী ওলেম্পিক কম্মিটিগী মতুং ইন্না রিও গেমসগী রুটিন ওইনা পাঙথোকপা দোপ টেষ্টতা লিনগী সেম্পলদা এবনোর্মেল রিএক্সন উবা ফংখিবদগী ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সি (ৱাদা) না স্পোর্টসতা অরোন-অথুপ লৈতনা শরুক য়াবা হায়বা ৱাখল্লোনবু মনুং মপান উনবা পান্দমদা লিনবু মতম খরগী ওইনা সস্পেন্দ তৌখি হায়না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৪ গী সাউথ কোরিয়াগী ইঞ্চিওনদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমসদা কে জি ১৬১ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেদল লৌখিবা মশাগী চহী ২৮ শুরবা লিন জু চিনা রিও গেমসদা গোল্ড মেদল লৌনবা অচৌবা আশা অমগা লোয়ননা লাকখিবনি। কুমজা ২০১০ দা পাঙথোকখিবা দোপ টেষ্ট অমদা ফেল ওইখিবা লিন জু চিবু চহী অনীগী অথিংবা থমখিবদগী কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্স গেমসদা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা ফংখিদে।

রিও ওলেম্পিক্সতা টাইৱানগী দেলিগেসনগী মকোক ওইরিবা ষ্টেভন চেননা লৈবাক অদুগী মেদল অমা লেম্না মাঙখিবদা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি। অদুমকপু রিওদা টাইৱানগী সু শু চিংনা নুপীগী কে জি ৫৩ গী কাঙলুপতা গোল্ড মেদল লৌখিবনি।

অমরোমদা কুমজা ২০০৮ বৈজিং অমদি কুমজা ২০১২ লন্দন ওলেম্পিক্সতা লৌখিবা সেম্পলশিং অমুক হন্না অনৌবা মেথদশিং শিজিন্নদুনা টেষ্ট তৌখিবদা য়ুক্রেনগী জেভলিন থ্রোৱর ওলেকজেন্দর পায়াচনিসাবু পোজিটিব ওইখিবগী খুদম চাংদম ফংখিবদগী মহাক্না লন্দন ওলেম্পিক্সতা লৌখিবা সিলভর মেদল অদু হন্দোকহনখিবগা লোয়ননা অথিংবসু থমখি।

টর্কি অমদি অর্মেনিয়াগী নুপী ৱেঠলিফটর অমমম অমদি বেলারসকী হেম্মর থ্রোৱর অমসু নৌনা টেষ্ট তৌখিবদা ফেল ওইখিবদগী রিও গেমসতগী দিসক্বালিফাই তৌখ্রবনি।

পনবা য়াই, চাইনিজগী স্বিমর চেন জিনয়িবু রিও ওলেম্পিক্সতা দোপিং টেষ্ট তৌবদা ফেল ওইখি হায়না চাইনিজ স্বিমিং এসোসিএসন (সি এস এ) গী ৱারোল পল্লদুনা জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা রিপোর্ট তৌবা লৈখ্রবনি।

রিপোর্ট অদুদা চেন জিনয়িবু নোংমাইজিং নুমিৎতা টেষ্ট তৌখিবদা দ্যুরেটিক ওইবা হাইদ্রোক্লো-রোথিয়াজিদ শিজিন্নরম্বগী পোজিটিব ওইরমখি। মশাগী চহী ১৮ শুরবা নুপীমচা অসিনা মিটর ১০০ গী নুপীগী বট্টরফ্লাইগী ফাইনেলদা মরিশুবা পোজিসন তাখিবনি। চেননা ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) দা মখা তানা টেষ্ট অমদি হিয়ারিং তৌননবগীদমক হায়জখ্রে হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবনি।

# মরৈবাক্কী খল্লগা মেসিনা মহাক্কী লৈবাক্কী নেসনেল টিমদা হল্লকখ্রে



ব্যুনোস এয়র, ওগষ্ট ১৪ঃ
মালেমগী ফুটবোল মশান্নদগী পোথারগনি হায়না লাউথোকখ্রবা ষ্টার ষ্ট্রাইকর লিওনেল মেসিনা মহাক্কী মরৈবাকপু নুংশিবগীদমক অর্জেন্টিনাগী নেসনেল টিমদা হল্লক্তুনা শান্নরগনি হায়না ফুটবোল্লর অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক চথুরিবা ওলেম্পিক্স গেমসগী ফুটবোল ইভেন্টকী গ্রুপ ষ্টেজদা অর্জেন্টিনানা মায়থীহৌদুনা গেমস অসিদগী য়াম্না ঙন্না মপান থোকখ্রবা মতুং সোক্কর ফেনশিংনা দিমান্দ তৌদুনা লাকখিবা অদু লিওনেল মেসিগী পাউ অসিনা হেন্না নুংঙাইবা হায়বদু ওইহনখ্রে।

মশাগী চহী ২১ শুরবা বার্সেলোনাগী সুপরষ্টার অসিনা জুন ২৬ তা পাঙথোকখিবা কোপা অমেরিকাগী ফাইনেলদা চিলিগী মখুৎতা অর্জেন্টিনানা মায়থীখ্রবা মতুং মমিৎতগী মপি তানা কপ্পুনা মহাক্না ইন্টরনেসনেল ফুটবোলদগী পোথারে হায়না লাউথোকখিবনি।

লিওনেল মেসিগী মেনেজমেন্ট কম্পেনিনা থাদোরকখিবা চেরোল অমদা মেসিনা হায়খি, ফাইনেল শান্নখিবা নুমিদাং অদুদা ঐনা লৈতাফম খঙদনা ৱাখল কয়া খনখি অমদি ঐনা ফুটবোল মশান্নদগী পোথানবগীদমক হকচিননা খনখি অদুবু ঐগী ঈরৈবাকপু নুংশিজবা অদুনা থম্মোয় খুদুম চনখি অমদি মসিগী জর্সি অসি খ্বাইদগী মরু ওইখি হায়না মহাক্না হায়খি।

মহাকপু নুংশিজবা ফেনশিংনা মায়কৈ কয়াদগী মহাক্কী ৱারেপ অদুবু হন্দোক্ন বা লম্বীদা রেল্লিশিং চৎখি অমদি ওনলাইনদা পাউজেলশিং থাদুনা অমুক হন্না অর্জেন্টিনাগীদমক শান্ননবা খঙহনখি। অর্জেন্টিনাগী প্রসিদেন্ট মৌরিসিও মাক্রিনা লৈবাক অসিদা মহাক্কী থৌদাং চাউনা লৈরি অমদি মহাক্কী ৱারেপ অদু অমুক হন্না খন্থদুনা লৈবাক্কীদমক শান্ননবা হায়খিবনি।

ঐখোয়গুম্বা ফুটবোলবু পাম্না শান্নবা লৈবাক্তা মালেমগী খ্বাইদগী ফবা প্লেয়র ওইনা ঈশ্বরনা খুদোল তৌবীরকপনি হায়না মাক্রিনা হায়খিবনি। লিওনেল মেসি অসি ঐখোয়গী অর্জেন্টিনাদা লৈবা খ্বাইদগী মরুওইবশিংগী মনুংদা অমনি অমদি ঐখোয়না মহাক্কীদমক চেকশিন্না য়েংশিনগনি হায়না প্রসিদেন্টনা মখা তানা ফোঙদোকখি।